

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, JUNE 3, 2016 PAGE 7




ফ্রেন্স ওপন গ্রান্দস্লামগী নোংনা মরম ওইরগা তোমাস বারদিক অমদি নোবাক জোকোবিক্লা শান্নখিবা মেটচকী অপন্বা লৈখিবা মতাংদা তোমাস বারদিক অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন সেরিনা ৱিলিয়মসনা কাজা ৱিলিয়া পুরটিন সিবা মায়থিবা পীরগা সেমি চঙবদা হরাওবা ফোংদোকপা

## কেন্সরগী অনাবা লৈরিবা মাইবম রোহিটক্কীদমক ফন্দ দ্রাইফকী চেরিটি ফুটবোল মেটচ অমা রেনেদি ১১ অমদি নেরোকা এফ সি না শান্নগদৌরি






















**এস এন এস**
**ইম্ফাল, জুন ২ ঃ**

ৱাংজিং তেন্থাদা লৈরিবা কেন্সরগী লায়না লৈরিবা মাইবম রোহিট সিংহ অপোকপা মাইবম নবা সিংহগী মতেং পাংনবগীদমক থা অসিগী ৪ দা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা মণিপুরগী মতম অমগী মশক নাইরবা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াখিবদা নত্তনা কেপ্টেনগী মহুৎশিনবখিবা শান্নরোই কয়া য়াওনা রেনেদি ১১ অমদি হন্দক্তা লোইশিনখিবা সেকেন্দ দিভিজন আই লিগ ফাইনেল রাউন্দদা অহুমশুবা পোজিসন তাহৌখিবা মণিপুরগী নেরোকা এফ সি গা চেরিটি ফুটবোল মেটচ অমা শান্নগদৌরি।

মাইবম রোহিট সিংহ অপোকপা নবা ৱাজিং তেন্থাদা লৈবা চহি ২২ খক্তা ঙাইরিবা ফুটবোল প্লেয়র অসিনা কেন্সরগী লায়না নারকপদগী মহাক্কী মতেং পাংনবগীদমক চেরিটি ফুটবোল মেটচ অসি নেরোকা ফুটবোল ক্লবনা শীনবনি।

মাইবম রোহিট সিংহ ক্লাস ৮ তল্লিঙৈ মতমদগী ফুটবোলগী মশান্না অসিদা শান্নবা হৌরক্কুনা তুংগী লন্বী অমা শেম্মননবা খোংথাং শেমখিবগা লোয়ননা থাংমৈবন্দ লৈবা পি ঐচ এল ৱাই ও থাংমৈবন্দা চহি অমা অমদি ইষ্টন ক্লবতা চহি ৩ শান্নরমখি।

মসিগী মতুং তারকপদা ককচিং পোপুলর স্পোটিং ক্লবতা শান্নদুনা তোঙান তোঙানবা টুর্নামেন্ট কয়াদা মহুৎ শীন্দুনা শান্নখিবগা লোয়ননা ইং ২০১৫ গী ৱিন্নর কপতসু শরুক য়াখিবনি।

সি সি মিট ২০১৫ অমদি দি এফ এ ত্রোফি ২০১৬ শরুক য়াখি।

নেরোকা ফুটবোল ক্লব অমদি রেনেদি ১১ গী মেটচ অসি জুন ৪ গী নুংথিলগী পুং ৩ তাবা মতমদা শান্নগনি।

রেনেদি ১১ গী টিমদা অসিদা ইন্দিয়ান সুপর লিগ ২০১৫ শরুক য়াখিবা মরিপুরগী মশক নাইবা শান্নরোই কয়াগা লোয়ননা নৌনা হৌগৎলক্লিবা শান্নরোই কয়ানা মেটচ অসিদা শান্নগনি।

শরুক য়াগদৌরিবা শান্নরোইশিং অদুদি গোল কিপরদা পোইরৈ অঙম্বা সোরাম অমদি সনসম বসননি।

দিফেন্দরদা গৌরামাঙ্গি মোইরাংথেম, লৈহাওরুংবম ধন্নচন্দ্র সিংহ , খেলেম্বা ইরুবম, সলাম রঞ্জন, নাওবা থোকচোম, থিয়াম চিংখৈঙানবা, গোলবিন, জেমস অমদি সোরাইশম প্রিতমকুমারনি।

মিদ ফিল্ডরদা ওইনাম মিলান সিংহ, থাংজম সরন, চান্দম সুরচন্দ্র, বিদ্যানন্দা সিংহ, খাগেম্বম থোই সিংহ, রাইশাংমৈ ভাসুম, কে এস ঐচ মালেমঙানবা মৈতৈ অমদি থৌনাওজম বিপিননি।

ষ্ট্রাইকরদা সুসিল সিংহ, সুভাস সিংহ অমদি থাংখোসিয়ন হাওকিপ্নি।

নেরোকা ফুটবোল ক্লবনা পাংথোক্কদৌরিবা চেরিটি মেটচ অসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা ফুটবোল পামজবা অমদি শান্নববু নুংশিজবা মীওই পুন্নমক্না মীৎয়েং তাবীয়ু হায়না নেরোকা এফ সি গী দাইরেক্টর নাওবা থাংজম্না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

অসিগুম্বা চেরিটি ফুটবোল মেটচ অসিনা তুংদা হৌরক্কদৌরিবা ফুটবোলগী লমদা শান্নরম্বা মতমদা করিগুম্বা খুদোংচাদবা খরদগী খঙহৌদনা নারকপা মতমদা শান্নরোইশিংনা অনৌবা ঈনোৎ অমা পীদুনা মশানগী অনাবা ফগৎহন্দুনা ফিল্ডদা শান্নবা ঙমদ্রবসু নাকলদা য়েংদুনা লৈবা ফাওবদি লৈহনবা ঙম্নবগীদমক চেরিটি মেটচ অসি শীনবগী খোঙথাং অমা ওইগনি।

নেরোকা ফুটবোল ক্লবকুম্বা মশান্না অসিগুম্ববু য়োকখৎনিংবা অমদি ষ্টেট এসোসিয়েসনশিং অসিনা মশান্না অসিদগী পোৎথাদুনা লৈখ্রবা অমদি হৌগৎ কাংখৎপা ঙম্ননা লৈখ্রবা শান্নরোই কয়াগীদমক্তসু অসিগুম্বা চেরিটি ফুটবোল মেটচ কয়া শীনবীরবদি ফুটবোল মশান্না অসিদা হৌজিক থিন্থরক্লিবা অসিগী হেন্না খোঙজেল য়াংনা চঙশিনবা ঙম্বা য়াই।

করি করম্বা থৌশিল পাংথোক্লগা লমদম অসিদগী অনৌবা ফুটবোল্লর কয়া ময়োল চোংলক্লবা হোৎননবা হন্দক্তা নৌনা খনখিবা ষ্টেট ফুটবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট য়াওনা মহাক্কা থৌ পুমিন্নরিবা মীওইশিংনা অনৌ অনৌবা প্রোগ্রাম কয়া পাংথোকপা মথৌ তারি।

প্রসিদেন্টগী অপাম্বগী মতুং ইন্না গ্রাসরুট দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম কয়া পাংথোক্লিবা অসি লিশাং শিৎনা পাংথোকপা ঙম্লবদি অফবা শান্নরোই খরদি থোক্লক্কনি।

## কোপা অমেরিকাগী মাংওইননা অর্জেন্টিনা ফিফাগী রেঙ্কিংগী তোপ্তা লৈখ্রে

**এস এন এস**
**পেরিস, জুন ২ ঃ**

ফিফা রেঙ্কিংগী অজেটিনাগী মকোক্তা লৈরম্বা বেলজিয়ম অমদি কলম্বীয়ানা কোপা অমেরিকাগী মমাংদা লৈরম্বা ফিফা রেঙ্কিংদগী হৌজিক্লা কন্টিনেলটল চেম্পিয়নসিপ অমদি লেটিন অমেরিকাগী চেম্পিয়ন ওইখিবা অরজেন্টিনানা ফিফাগী রেঙ্কিংগী মকোক্তা লৈখ্রে।

হয়েংদগী হৌগদরিবা কোপা অমেরিকা কপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা অর্জেন্টিনানা ফিফাগী রেঙ্কিংদা মকোক্তা লৈখ্রবা মতুংদা বেলজিম্না অনীশুবা অমদি কলম্বীয়ানা অহুমশুবা রেঙ্কিংদা লৈরি।

জর্মনি , চিলি, স্পেন, ব্রজিল, পোরটুগাল , উরুগে অমদি ওষ্ট্রিয়ানা মথংশিংনা ৪ শুবদগী ১০ শুবা রেঙ্কিংদা লৈখি।



অরজেন্টিনাগী টিম অসিদা মশক মমিং লৈরবা গোল য়াম্না চনবা ঙম্বা শান্নরোই লিয়োনেল মেসি , সরগিয়ো এক্করো অমদি গোজালো হিগুয়ন কোপা অমেরিকা টিমদা শরুক য়াগদৌরি।

Copa America 2016 fixtures: Dates, group, schedule and times for the tournament
08:00 02 Jun 2016, updated 08:00 02 Jun 2016

**GROUP A**
USA v Colombia, June 4, Santa Clara, CA, 2.30am
Costa Rica v Paraguay, June 4, Orlando, FL 10pm
USA v Costa Rica, June 8, Chicago, IL, 1am
Colombia v Paraguay, June 8, Pasadena, CA, 3.30am
USA v Paraguay, June 12, Philadelphia, PA, 12am
Colombia v Costa Rica, June 12, Houston, TX, 2am

**GROUP B**
Haiti v Peru, June 5, Seattle, WA, 12.30am
Brazil v Ecuador, June 5, Pasadena, CA, 3am
Brazil v Haiti, June 9, Orlando, FL, 12.30am
Ecuador v Peru, June 9, Glendale, AZ, 2am
Ecuador v Haiti, June 12, East Rutherford, NJ, 11.30pm
Brazil v Peru, June 13, Foxborough, MA, 1.30am

**GROUP C**
Jamaica v Venezuela, June 5, Chicago, IL, 10pm
Mexico v Uruguay, June 6, Glendale, AZ, 12am
Uruguay v Venezuela, June 10, Philadelphia, PA, 12.30am
Mexico v Jamaica, June 10, Pasadena, CA, 3am
Mexico v Venezuela, June 14, Houston, TX, 1am
Uruguay v Jamaica, June 14, Santa Clara, CA, 3am

**GROUP D**
Panama v Bolivia, June 7, Orlando, FL, 12am
Argentina v Chile, June 7, Santa Clara, CA, 3am
Chile v Bolivia, June 11, Foxborough, MA, 12am
Argentina v Panama, June 11, Chicago, IL, 2.30am
Chile v Panama, June 15, Philadelphia, PA, 1am
Argentina v Bolivia, June 15, Seattle, WA, 3am

**QUARTER-FINALS**
Winner A v Runner-up B (June 17, Seattle, WA, 2.30am)
Runner-up A v Winner B (June 18, East Rutherford, NJ, 1am)
Winner C v Runner-up D (June 19, Santa Clara, CA, 3am)
Winner D v Runner-up A (June 19, Foxborough, MA, 12am)

**SEMI-FINALS**
Winner of QF1 v Winner QF4 (June 22, Houston, TX, 2am)
Winner of QF2 v Winner QF3, (June 23, Chicago, IL, 1am)

FINAL
Winner SF1 v Winner SF 2 (June 27, East Rutherford, NJ, 1am)

## ইন্দিয়া অমদি ৱেষ্ট ইন্দিসকী টুর জুলাই ৬ তগী হৌরগনি

**এস এন এস**
**ন্যু দিল্লি, জুন ২ ঃ**

ইন্দিয়ানা ৱেষ্ট ইন্দিসতা চৎতুনা নুমিৎ ৪৯ গী ওইবা টুর অমা জুলাই ৯ দগী হৌরগনি।

ইন্দিয়া অমদি ৱেষ্ট ইন্দিসনা শান্নগদবা টেষ্ট মেটচ ৪ গী সেরিজকী অহানবা মেটচ জুলাই ২১ দগী শান্নবা হৌরগনি।

টেষ্ট মেটচ সেরিজ অসিগী নুমিৎ নীনীগী ওইবা ৱাম অপ মেটচ অনী কেরিবিয়নদা শান্নগনি।

ইন্দিয়াগী টিম জুলাই ৬ তা সেন কিস্তা থুংগনি।

ৱাম অপকী অহানবা মেটচ জুলাই ৬ অমদি ৭ তা ৱন্নর পাক্তা শান্নগনি।

অনীশুবা ৱাম অপ মেটচনা মফম অসিমক্তদদা জুলাই ৯ অমদি ১০ দা শান্নগনি।

সেরিজ অসিগী মনুং চন্না নুমিৎ ৩ গী ওইবা মেটচশিং শান্নগনি।

অহানবা মেটচনা জুলাই ১৪ দগী ১৬ ফাওবা সর ভিব রিচাট ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

অনীশুবা মেটচ অমদি অহুমশুবা টেষ্ট মেটচনা সবিনা পাক অমদি জমৈকাদা জুলাই ৩০ ফাওবগী মনুংদা শান্নগনি হায়না বি সি সি আই গী ষ্টেটমেন্টগী চেরোল অমনা পল্লক্লি।

নুমিৎ ৩ গী ওইবা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচনা ধারেন সমির ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা ওগষ্ট ৯ দা শান্নগনি।

অহানবা টেষ্ট মেটচনা জুলাই ২১ দগী ২৫ ফাওবা ইন্টিগুৱাদা অনীশুবা টেষ্ট মেটচনা জমেকিয়াদা জুলাই ৩০ দগী ওগষ্ট ৩ ফাওবা অহুমশুবা টেষ্ট মেটচনা ওগষ্ট ৯ দগী ১৩ ফাওবা সেন্ট রুসিয়দা অমদি মরিশুবা টেষ্ট মেটচনা ওগষ্ট ১৮ দগী ২২ ফাওবা ত্রিনিদাটতা শান্নগনি।

## য়ু ই এফ এ ২০১৬ হৌরগনি

